


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, FEBRUARY 11, 2016 PAGE 7





চহী অসিগী মার্চ ৮ দগী এপ্রিল ১৩ ফাওবা ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা টি-২০ ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা লৈবাকশিংদা অকি-অখঙ লৈহল্লোই হায়না ফোঙদোকখিবা বি সি সি আই গী সেক্রেটরী অনুরাগ থাকুর

ইংলেন্দ অমসুং সাউথ অফ্রিকানা শান্নবা মেট্চ ৫ গী ৱান দে সেরিজগী অহুমশুবা মেট্চতা রন ১৩৫ লৌদুনা য়ুম্ম সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈন্দগী মায় পাকপগী লম্বেল য়াংখিবা বেট্সমেন ক্বিন্টোন দি কোক

## ১২ শুবা সাউথ এসিয়ান গেমস ২০১৬

# ব্রুসুদা এল সনাতোম্বী চনুনা গোল্ড মেডল ফংখ্রে, ইভেন্ট অসিদা অতোপ্পা মণিপুরগী জ্ঞানদাসসু নুপাগী গোল্ড অমা ফংবা ঙমখ্রে, ফুটবোলদা ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



গুৱাহাটি/শিল্লোং, ফেব্রুৱারী ১০ঃ ১২ শুবা সাউথ এসিয়ান গেমসকী ঙসি পাঙথোকখিবা ব্রুসুগী দিসিপ্লিন্দা মণিপুরদগী হৌখিবা নুপীগী শান্নরোই এল সনাতোম্বী চনু অমসুং এম জ্ঞানদাস সিংহনা টাইজিক্কান অমসুং টাইজিজিয়ানগী নুপী অমসুং নুপাগী ওল রাউন্দ পার্ফোমেন্সতা গোল্ড মেডল অমমম ফংবা ঙমখ্রে। গেমস অসিগী নুপাগীফুটবোলদা ইন্দিয়াগী টিম্না মালদিপ্স থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শিল্লোং সহরদা পাঙথোকখিবা ব্রুসু দিসিপ্লিনগী নুপীগী টাইজিক্কান অমসুং টাইজিজিয়ান ইভেন্টদা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াদুনা লম্বা তৌনখিবী মণিপুরগী এল সনাতোম্বী চনুনা পুন্না পোইন্ট ১৮.৬২ ফংলগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা নেপালগী সবিতা রায়না পোইন্ট ১৭.০৭ দা সিলভর ফংলগা পাকিস্তানগী কোমাল ইমানুয়েলনা পোইন্ট ১৪.১৬ তা ব্রোঞ্জ লৌখিবনি।



*ব্রুসু ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফংখ্রবী মণিপুরগী সনাতোম্বী চনু*

ইভেন্ট অসিগী নুপাগী কাঙলুপ্তা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোই অমা ওইরিবা এম জ্ঞানদাস সিংহনা নুপাগী টাইজিক্কান অমসুং টাইজিজিয়ান ইভেন্টতা পোইন্ট ১৮.৫৩ ফংলগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অদুদা নেপালগী হরি প্রসাদনা সিলভর অদুগা বংলাদেশকী এম দি রামোতুল্লানা ব্রোঞ্জ ফংখি।

### ফুটবোল

চথরিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ান গেমস অসিগী নুপাগী ফুটবোলদা ইন্দিয়াগী চহী ২৩ মখাগী শান্নরোইশিংগী টিম অদুনা মালদিপ্সপু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীবা ঙমদুনা গেমস অসিগী নুপাগী ফুটবোলদা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মেট্চ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু ৪ শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী উদান্তা সিংহনা চনখি। শান্নবগী ৯ শুবা মিনিটতা মালদিপ্সকী মুরুথালা অদনান্না ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা ইন্দিয়াগী টিম অদুবু য়াম্না মান্নবা মওং দা লম্বা তৌবা ঙমখি।

শান্নবগী ১১ শুবা মিনিটকা ইন্দিয়াগী প্রিতম কোটালনা য়াম্না ফজবা হেদিং অমগী মতেংনা মালদিপ্সপু ২-১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্ত্রবদা মালদিপ্সকী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদু চনখিবদগী হাল্ফ অদু লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল ২-২ দা মান্নদুনা লৈখি।

শান্নবগী অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনিট ১৪ চঙশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা উদান্তা সিংহনা অমুক্কা হন্না মাগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমদুনা মালদিপ্সপু ৩-২ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী লেমহৌরিবা মতম অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী ইন্দিয়ানা মালদিপ্সপু ৩-২ দা থোইদুনা নুপাগী ফুটবোলগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

নুপীগী ফুটবোলদা ঙরাং ইন্দিয়ানা শ্রীলঙ্কাবু পাঞ্জল ৫-০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি। হায়রিবা মেট্চ অদুদা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াখিবী মণিপুরগী শান্নরোই দাংমৈ গ্রেসনা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। লোয়নন্না মায় পাকপগী মেট্চ অদুদা মণিপুরদগী হৌখিবী অতোপ্পা শান্নরোই কমলা দেবিসু পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি।

### OVERALL MEDAL TALLY

| Country | Gold | Silver | Bronze | Total |
|---|---|---|---|---|
| India | 117 | 61 | 16 | 194 |
| Sri Lanka | 24 | 46 | 63 | 133 |
| Pakistan | 7 | 20 | 32 | 59 |
| Bangladesh | 3 | 10 | 40 | 53 |
| Nepal | 1 | 12 | 19 | 32 |
| Afghanistan | 1 | 3 | 11 | 15 |
| Bhutan | 0 | 1 | 4 | 5 |
| Maldives | 0 | 1 | 1 | 2 |



*১২ শুবা সাউথ এসিয়ান গেমসকী নুপীগী ফুটবোলদা শ্রীলঙ্কাবু মায়থিবা পীদুনা হরাওবা ফোঙদোকখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং*

### সুট্টিং

চথরিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ান গেমস অসিগী গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা সুট্টিংগী অহানবা নুমিৎকী কম্পিটিসন্দা ইন্দিয়াগী গোল্ড মেডল অহুম ফংবা ঙমখি।

চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টং অপুর্ভি চান্দেলানা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়ার রাইফলদা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি।

মদুগী মতুং মহাক্কা ইভেন্ট অদুগী টিম কম্পিটিসন্দা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী সুট্টর পুজা অমসুং ইলিজাবেট জুরা ওইরগা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি।

দিসিপ্লিন অসিগী নুপাগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী ওমকার সিংহনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী সুট্টর পি এন প্রকাস অমসুং ওম প্রকাসকী টিম গোল্ড মেডল লৌরগা মথংশিংনা পাকিস্তান অমসুং বংলাদেসকী টিম্না সিলভর মেডল অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

সুট্টিংগী নুপীগী মিটর ১০ টিম ইভেন্টতসু ইন্দিয়ানা গোল্ড ফংবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী অপুর্ভি, পুজা অমসুং সুজন্না পুন্না পোইন্ট ১২৪৮.৫ ফংলগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেডলনা শ্রীলঙ্কা অমসুং বংলাদেসনা লৌবা ঙমখি।



*১২ শুবা সাউত এসিয়ান গেমসকী নুপাগী ভোলিবোলদা গোল্ড ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং*

### ভোলিবোল

ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী ভোলিবোল টিম্না মশান্না অসিগী গোল্ড মেডল অনী অদু ফংবা ঙমখি। ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী ভোলিবোল ফাইনেল মেট্চতা ইন্দিয়ানা শ্রীলঙ্কাবু মায়থিবা পীখি। অহানবা সেট ইন্দিয়ানা শ্রীলঙ্কাবু ২৫-১৯ দা থোইখি। অনীশুবা সেটতা শ্রীলঙ্কাগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা পীরক্তুনা টাই ব্রেক্তা মায় মখা তাবা লম্বা তৌনবদা ইন্দিয়াগী টিম্না ২৫-২২ দা থোইদুনা সেট ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা সেটতা শ্রীলঙ্কাগী ভোলিবোল শান্নরোইশিং অদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা মখোয়না শোৎখিবা সেট অনী অদু ফুক্কৎনবা হোৎনবদা অকনবা প্রেসর পীদুনা সেট অদু য়াম্না মান্বা মওংদা লম্বা তৌনখি।

অপীবা নিয়মগী স্কোর অদু লাম্বোক্তুনা টাই ব্রেক্ততা অমুক হন্না শান্নখিবদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা শ্রীলঙ্কাগী শান্নরোইশিংদগী পোইন্ট অনী হেল্লগা ২৮-২৬ তা থোইদুনা নুপাগী ভোলিবোল টিম ইভেন্টতা গোল্ড মেডল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

দিসিপ্লিন অসিগী ঙরাং শান্নখিবা নুপীগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়ানা শ্রীলঙ্কাবু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড ফংখি। নুপাগী শ্রীলঙ্কাগী টিম্বু ইন্দিয়ানা থোইদুনা গোল্ড মেডল লৌখ্রবা মতুং নুপীগী ভোলিবোল ফাইনেলদসু ইন্দিয়া অমসুং শ্রীলঙ্কানা শান্নবদা সেট ৩-০ দা থোইবা ঙমখিবনি। অহানবা সেট ইন্দিয়ানা ২৫-১৪ দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সেট শান্নবদা শ্রীলঙ্কাগী শান্নরোইশিংনা খরা হোৎনখিবা অদু মপুং ফাদ্রিঙৈ পোইন্ট ২১ য়ৌরকপদা ইন্দিয়ানা থোইদুনা সেট ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা সেটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুনা অহেনবা প্রেসর পীশিনখিবা অদুগী কান্নবা ফংদুনা সেট অদু ২৫-১৪ দা থোইদুনা ফাইনেল মেট্চ অদু মায় পাকপদগী গোল্ড মেডল ফংখিবনি।

### এঠলেটিক্স

গুৱাহাটিগী ইন্দিরা গান্ধি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা এঠলেটিক্সকী ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী মনপ্রিট কোর সেনিয়রনা নুপীগী সোট পুট ইভেন্টতা মিটর ১৭.৯৬ লংদুনা গোল্ড মেডল ফংবা ঙম্বগা লোয়নন্না গেমস অসিগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি।

ইভেন্ট অদুমক্তদা মনপ্রিট কোর জুনিয়রনা মিটর ১৫.৯৪ লংলগা সিলভর মেডল লৌখিবনি অদুগা শ্রীলঙ্কাগী ফর্নান্দোনা ১৪.৮৭ লংলগা ব্রোঞ্জ মেডল অদু ফংখি।

নুপীগী লোং জম্পতা ইন্দিয়াগী মায়ুখা জোনিনা অনৌবা গেমস রেকোর্দ অমা থম্নবা মিটর ৬.৪৩ দা গোল্ড মেডল লৌখি।

# ইংলেন্দগী এফ এ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদনা লিভরপুলবু থোইদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে




*লিভরপুলবু মায়থিবা পীরগা এফ এ কপকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদকী হরাওরিবা শান্নরোইশিং*

লন্দন, ফেব্রুৱারী ১০ঃ মালেমগী অরিবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইংলেন্দগী এফ এ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং লন্দন সহরদা শান্নখিবা কপ অসিগী মরিশুবা রাউন্দগী মেট্চ অমদা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদনা লিভরপুল টিম্বু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

লিভরপুল অমসুং ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদকী রেকোর্দ চাংদম্নবদা লিভরপুলনা হেন্দুনা লাক্লিবনি। অদুবু ঙরাংগী এফ এ কপকী মরিশুবা রাউন্দ অদুদা লিভরপুলবু ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদনা হিরম খুদিংমক্তা লম্বা পীদুনা লাকখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা শরুক লোইশিল্লবা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল চন্নদনা লৈরম্লবা মতুং হাল্ফ অদুগী অরোইবা মিনিটতা ৱেষ্ট হামগী মায়কৈদগী মিছেল এন্টিনিওনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা লিভরপুলবু অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা ১-০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবাহৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনিট ৩ চঙশিল্লকপদা লিভরপুলগী ফিলিপ্পা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেট্চ অদু য়াম্না মান্নবা মওংদা লৈরকখি। অনীশুবা হাল্ফ অদুগী লেমহৌরিবা মতম অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নখিদবদগী এক্সট্রা টাইম হাপ্পুনা শান্নরকপদা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী এঞ্জেলো ওগবোনানা অরোইবা মীকুপ্তা পাঞ্জল অমা চন্দুনা লিভরপুলবু মায়থিবা পীরম্বনি।

### জর্মন কপ

জর্মনিদা পাঙথোকপা বুন্দেসলিগা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী মতুংদা মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা জর্মন কপকী ঙরাং শান্নখিবা মেট্চ অমদা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দনা ভি এফ বি ষ্টুটগার্টপু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীদুনা বোরুসিয়াগী টিম সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মেট্চ অদুগা অহানবা পাঞ্জল অদু বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী মায়কৈদগী মার্কোরুসনা শান্নবগী ৫ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা শান্নবগী ২১ শুবা মিনিটতা ষ্টুটগার্টকী মায়কৈদগী লুকাস রুপনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা লম্বা মান্নখি।

মেট্চ অদুগী ৩১ শুবা মিনিটতা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগী পিয়ারে এমেরিকনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ষ্টুটগার্টপু মাঙজিল থাবা ঙমখি। অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লবামতুং অনীশুবা হাল্ফকী অয়াম্বা শরুক্তা দোর্টমুন্দগী পাঞ্জল অদু ষ্টুটগার্টনা হন্দাকপা ঙমদনা লৈখি শান্নবগী ৯০ শুবা মিনিটতা দোর্টমুন্দগী হেনরিক্না পাঞ্জল অমগা হাপচিখিদুনা ষ্টুটগার্টবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইরগা জর্মন কপকী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

### ফ্রেন্স কপ

ফ্রান্সকী সহর পেরিসতা ঙরাং শান্নখিবা ফ্রেন্স কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মরিশুবা রাউন্দগী মেট্চ অমদা লৈবাক অদুগী ফুটবোলগী অনীশুবা দিভিজন্দা শান্নবা টিম ওইরিবা সোকোনা লিগে ৱানদা মকোক থোংবা টিম অমা ওইরিবা মোনাকোবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মেট্চ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু সোকোগী মায়কৈদগী শান্নবগী ১৯ শুবা মিনিটতা ফ্লোরিয়ান মার্টিনা চনবা ঙমখি। পাঞ্জল শোৎখিবা ফ্রান্সকী লিগে ৱানগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংবা টিম অমা ওইরিবা মোনাকোগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ইক্বেলাইজর অদু ফংনবা হোৎনখি।

শান্নবগী ৩৮ শুবা মিনিটতা মোনাকোগী মায়কৈদগী ফিএমো বকায়োকোনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। মদুগী মতুং অনীশুবা হাল্ফতা সোকোগী হাদি সাক্কোনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেট্চ অদুগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু ওইখি।

# হিরো আই লীগতা ইষ্ট বেঙ্গলনা শিল্লোং লাজোংবু পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখ্রে

কোলকতা, ফেব্রুৱারী ১০ঃ হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোনুং সহর কোলকতাদা লৈবা য়ুব ভারতি ক্রিয়াঙ্গন্দা শান্নখিবা ৭ শুবা রাউন্দগী মেট্চ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা ইষ্ট বেঙ্গলনা অৱাং নোংপোক রাজ্যগী টিম অমা ওইরিবা শিল্লোং লাজোংবু পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেট্চ অদুগী খ্বাইদগী ফজবা শক্তম অদু ইষ্ট বেঙ্গলগী ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা রেন্টি মার্টিন্সনা শান্নবগী অহানবা হাল্ফতা হেট ট্রিক ফংখিবা অদুনি।

মার্টিন্সনা মেট্চ অদুগী ১২ শুবা মিনিটতা মহাক্কী হেট ট্রিক্কী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। শিল্লোং লাজোংগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা ফনা কন্না হোৎনরবসু উপায় লৈত্তদুনা লৈরিঙৈ অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা মার্টিন্সনা ২৫ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিদুনা শিল্লোং লাজোংবু ২-০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফ লোইগদৌবা মিনিট ৯ খক্তা ঙাইরবা ম তমদা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখ্রবা রেন্টি মার্টিন্সনা মখা তানা মহাক্কী হেট ট্রিক অমসুং টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা শিল্লোং লাজোংবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৩-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা ইষ্ট বেঙ্গলনা পাঞ্জল অহুম চনশিন্দুনা লৈরবা শিল্লোং লাজোংগী শান্নরোইশিংনা মখোয়গী মথক্তা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্নবা ফনা কন্না হোৎনখ্রবসু ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৫৩ শুবা মিনিটতা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী বি জাইরুনা টিম অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা শিল্লোং লাজোংবু ফুক্কৎপা ঙম্রোইদবা মওংদা থমখি।

মেট্চ অদুগী মিনিট ৩৭ অদুদা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৪ চন্দুনা লৈরবসু মখা তানা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখিদে। অদুগা শিল্লোং লাজোংগী মায়কৈদগীসু শোৎখিবা পাঞ্জল মরি অদুগী মনুংদা পাঞ্জল অমফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা মেট্চ অদু লোইশিনখি।

# মুম্বাইনা দিল্লি পাঞ্জল ৮-৩ দা থোইখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১০ঃ হোক্কি ইন্দিয়া লীগকী ন্যু দিল্লিদা শান্নখিবা মেট্চ অমদা দবং মুম্বাইনা দিল্লি ৱেবরাইদর্সপু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৮-৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেট্চ অদু হৌরকপদদি য়ুম্বু ওইখিবা দিল্লি ৱেবরাইদর্সনা লাকচখিবনি। মখোয়না পাঞ্জল ৩-০ দা মাঙজিল থাবা ঙম্লম্বদগী টিম অদুগী মপাঙ্গল শোন্থখিবা মরম্না দবং মুম্বাইগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল ৮ থংন-থংননা চনখিদুনা য়াম্না থাজদবা মওংদা ন্যু দিল্লিগী সিবাজি ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা হোক্কি ইন্দিয়া লীগকী মেট্চ অদু দবং মুম্বাইনা য়ুম্বু ওইখিবা দিল্লি ৱেবরাইদর্সপু পাঞ্জল ৮-৩ দা থোইবা ঙমখিবনি। মুম্বাই মায় পাকপা অসিনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা পুন্না পোইন্ট ১৯ ফংলগা মরিশুবা পোজিসন্দা লৈরি।


ADMISSION STARTS
For New Batch
GENERAL FOUNDATION COURSE
[ GFC ]
For Banking, SSC and Other Competitive Exams
For limited seats
CLASS STARTING FROM 22-02-2016
TIMING: 3.00 PM TO 5.45 PM
For limited seats
SPECIAL EMPHASIS ON :
Verbal Reasoning
Numerical Aptitude
Banking Awareness
Computer Awareness
Non-Verbal Reasoning
Indian Economy
Marketing Awareness
Current Affairs, etc.
SPECIAL FEATURES
Supply of Study Materials
Online exam practice class
Regular Sectional Tests
KWAKEITHEL, IMPHAL
Proactive Academy
For a Bright Future
of Competitive Examinations (PACE)
PHONE: 9206319209
SL/3 feb to 6 march